# মতম অমদা ঐখোয় ইশেন চন্নখিবা পাউখোংশিংদো অচন্বা অমত্তা ওইরমদ্রে

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

পাউখোং হায়না খঙনবা ৱাহং-পাউখুমগী মওংদা অৱায়-অখুম তৌনবা মশান্না অসিনা মালেমদা লৈরিবা ফূরুপ কয়াগী ফোকলোরদা মফম চাউনা কন্দুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মসি ফূরুপ অমগী পূন্সিরোল অমদি চৎন-লোনচৎকা শাগোন্নদুনা লৈ হায়বা য়াই। পাউখোং কয়া অসিদা মোরেল ভেল্যু য়াওবগা লোয়ননা কান্নরবা পাউজেলসু পীরিবনি। ঐখোয়গী খুন্নাইদসু কান্নরবা পাউখোং কয়া য়ূমথোঙ-য়ূমথোঙদা, লৈরক খুদিং অমদি শান্নবুং মচি-মচিদা নহা-অহল, নুপী-নুপা খায়দনা পাউখোং চন্নরম্মী হায়বদি য়েৎনীংঙাই লৈত্রবা ৱাফম্নি। মতম অমগী মীরোলগী থৌশু-থৌচৎ, শিনফম, শীজিন্নরম্বা পোৎ-চৈনচিংবা কয়াগী মনুংদা ঙসিগী মীরোলনা উবা ফংদবসু কোঙ্গায়নি। অদুবু পাউখোং কয়ানা অসিগুম্লবা তাঙলবা লন কয়াবু লীদুনা থম্বীরম্মী হায়বা য়াই।

***চারে কেগাম থন, চাদ্রে কেগাম থন*** হায়বা পাউখোং অসিদা করিনো হায়না হংলিবা পোৎশক অসি থরোইনি। হেক হায়বদা ইচম চম্বা মাল্লি অদুবু য়াম্না কূপ্না নৈনরবদি কান্নবা মচাক ময়াম অমা য়াওরি। মসিনা তাক্লি মদুদি থরোই হায়বা জীব অসি ঐখোয়গী ওইনদি এঙ্গাং মথেল অমা ওই হায়বসি। কেগাম হায়বসি লৈবাক্লা শাবা পাত্রনি। ঐখোয়গী ওইনা ঙমু, উকাবী, ঙাগিজৌনচিংবা ঙা অকংবা লীদুনা থম্নে। হৌজিক্কান্দদি প্লাষ্টিক বোট্টলগুম্বদা অয়াম্বা থম্নে। অদুবু মতম অমদদি লৈবাক্লা শাবা পুন্দা থম্নে। অদুগুম্বা ঙাফূ অদু লৈবাক্লা শাবা কেগাম্না মখুম খুমজিল্লগা মপান অকোয়বদু ষন্থিনা ফজনা তৈশিল্লগা থম্নে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা অঙাং অমা পোল্লকপা মতমদা অঙাংদুগী ককথৎলবা খোয়রী নাউফমদু কেগাম অমদা হাপ্লগা কেগাম অমনা মখুম ওইরগা য়ূমগী শাইগংদা ফুমজিল্লি। মতৌ অসুম্না ঐখোয়গী পূন্সিরোল চৎন-লোনচৎ অমদি থাজনবী কয়াগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা কেগাম্নি।

***মমা অমুবী অমনা মচা অঙৌবা ময়াম অমা পোকপা*** হায়বা পাউখোং অমসু লৈ। পাউখুমদি চাকথোং চফূ অমদি মনুংদা য়াওরিবা চাক্লি। মতম অমদা গ্যাস, প্রেসর কুক্কর, রাইস কুক্কর, ইন্দক্সননচিংবা শীজিন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা শীংনা চাক থোংনরিঙৈদা মতম কুইনা ফেঙবীদবনা মুশিন মুরবা চাকথোং চফূ অদুবু মমা অমুবী ওইহল্লগা মনুংদা য়াওরিবা চাক অদুবুনা কুচু ঙৌবা মচা ময়াম্নি হায়না চাংদম্নবনি। অসুম্না খুন্নাই অসিগী পূন্সি মহিং, মওং-মতৌ করম্বা ফীভমদা লৈরম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা তাকই। মবুক লাউবা অঙাং অমদা পীজরিখৈ কপ্পা পীজদ্রগনা কপ্পা লেপ্পগী ফজরবা পাউখোং অমা লৈ হায়বসি ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরে হায়বা য়াই। ঈশৈ ওইনসু শৈথারিবনি। অঙাং অদু কপত্রেংনি হায়না পাউখুম পী। হৌজিক্কী অঙাংশিংদা কপত্রেং করিনো হংবদা অখঙবা য়াওরমগনি থাজদে। অদুবু খঙনীংবা য়াওবা অঙাংশিংনা হংলকপা মতমদা ৱাহৈ ওইনা তাকপীরবসু মসিনি হায়না খুদোম্বী থিন্দুনা তাকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরবনি। নুংশিবনি মতম অমদা লশিং মরূগা ফাইবরগা তোঙান তোঙান থাদোক্লুবা কপত্রেংগী মরৈ মরৈ তাশিনবা ময়াদুদা ইনশিনবদু। কপত্রেংনা ঙংবগী মখোলদু নাকোং ৱাই খরা চিলহনবদুদা মপা চপ হেক চায় চল্লিবা পাউখোংদু। অঙাং নিংঙাই চাউবনা ঙেং ঙেং ঙংবদুগা চপ হেক মান্নে। নুংঙাইরিবদি ফিশা লোনশাগা মরী লৈনবা খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মনুং চনবা কপত্রেংবু মশক তাকপদা অচৌবা মতেং পীরিবা পাউখোংনি। অমুকসু মতম অমদা কপত্রেংগী মতেংনা মরূ লৌথোকখ্রবা লশিংদু মোইথাপ তাদুনা মপূন মপূন শেমদুনা থম্মী। মোইথাপশিংদু তরেংদা নাইদুনা তরেংয়োৎকী মতেংনা শেম্বা লংদুম্বু মবুক কংবা লম্বোইবগা প্রমান তৌই। অদুগুম্লবা লংদুমদু তওৎ অমদি তমং হায়না খঙনবা অনী অসিগী মতেংনা লংখাই ওইনা শেম্মী। লংখাই শেম্বা মতমদা শীজিন্নরিবা তমংবু থেক্লা নৌনা জগোয় শারিবী লৈশাবীগা চাংদম্নে। লংদুমদুনা লৈমায়দা ওনববু মবুক কংবা লম্বোইবনা ওনবগা চাংদম্নে। অসুম্না লৈরাং লশিংদগী লংলা শেম্লগা নুপী ওইবীশিংনা ইয়োংদা চরৈ ফিবু শাদুনা মপারী মমোমশিং নাউয়োম্লকখিবগী ৱারী য়াওনা চন্নরম্লিবা পাউখোং অসি কয়াদা মমল য়ামখ্রবনো!

য়াম্না তোয়না চন্নখিবা পাউখোংশিংগী মনুংদা ***য়ুময়াইদা ফ্র ফ্র কাচিন্দা হীঙেক*** হায়বসিসু পনবা য়াই। মসি ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা শুমজিৎনি। ঐখোয়গী থাজনবীদা অয়ূক য়াহৌরকপা নৎত্রগা থবক অমা চথোকপদা শুমজিৎ শিৎপা উবা ফত্তে, দাউ য়াদে হায়না লৌনৈ। মদুনা মরম ওইরগা ইমুং-মাঙ্গোল লূ-নান্না থম্বদা চঙদবা য়াদবা পোৎশক ওইরিবা শুমজিৎপু ইরায় লায়না পাক হেক উবা ঙম্লোইদবা কাচিন্দা থম্নে। য়ূম অমা পানবদা চঙদবা য়াদবা মরু ওইবা পোৎশক ওইরিবা শুমজিৎনি। অদুবু মাগী মথৌ লোইবগা চন্নররোইদবা অমুক হন্না শীজিন্নরোই হায়বগী মতাগুম কাচিন্দা লংশিল্লগা থম্ববু শীংথারিবা পাউখোংনি।

অতোপ্পা পাউখোং ময়াম অমসু লৈ। ***নোংদোন উপু (অৱাথবী), লৈনুং উপু (লৈবাক হৱাই), লৈনুং সনা (য়াইঙং), লৈনুং মোরোক (শিং), কার নান্থ কার নান্থ (লফূ), অঙাং ওইরিঙৈদা ফনেক অশংবা শেৎপা অহল ওইরকপা মতমদা ফনেক অঙাংবা শেৎপা (মোরোক), অঙাং ওইরিঙৈদা ফি শেৎপা অহল ওইরগা শেত্তবা (ৱা নৌরিঙৈদা ৱাকুরানা য়োমশিনবা অদুগা লিরক্লবা মতমদা ৱাকুরা কেনখিবা) মীরোনবী (চপ চাবা ৱাহৈদু শীজিন্নজদ্রে) না চুরা উপ্পা (কবোকঙ) অসিনচিংবনি।*** অঙাং ওইরিঙৈ ঐখোয় খরা পূনশিল্লগা পাউখোং চন্নবা মতমদা থোইদোক্লা খঞ্জিল্লুদবা হৌজিক্তা 'সুম খল্লুরগা য়াম্না নুংশিবা পাউখোং অমসু লৈ। ***পীক্লিঙৈদা মখোঙ মরি পানবা, খরা চাউরকপদগী মখোঙ অনী পানবা, অহল ওইরকপা মতমদা মখোঙ অহুম পানবা*** হায়বা পাউখোংসিনি। কয়াদা হৈনা শেম্লম্লিবা পাউখোংনো, মীওইবনা অঙাং ওইরিঙৈদা ষণ শানা চৎলিঙৈ মতম, খোঙনা চৎপা হৈরকপা মতম অমদি অহল ওইরক্লবা মতমদা চৈশু শুরগা চৎপা মতম্বু তাক্লিবনি।

মতৌ অসুম্না মতম অমদদি ঐখোয় ময়াম শান্নবদা মদুগী শরুক অমা ওইনা ঙাইহাক ফম্মিন্নদুনা অমদি ফুঙ্গা মৈ তীক্লা তীক্লা পাউখোং কয়া চন্নখি। নুংঙাইবগী ওইনা চন্নখিবনি। হৌজিক্তি খঙলে, ৱাখল লৌশিং তান্নবগী চাংয়েংনি। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা অরেম্বা মতমদা শেরান্নবা লম্বীদা ফৈরেং তুরেং চৎখিগদবদগী খরদং ওইরবসু কনবা ঙম্বজাৎনি। অসুম্না মতম অমদা চন্নখিবা মশীং লাকঙমদ্রবা পাউখোং কয়া লৈখি। অদুবু ঙসিদি সোশল মীদিয়াগী ঈথক ঈরৈদা অসুম-অসুম লুপশিনখিদুনা পাউখোংশিং অদু কাউনখিদ্রা হায়বগী মিপাইবসু পোল্লক্লে। লমদমসিদা লৈরিবা খুঙ্গং কয়াদা কোয়না চৎতুনা মফম অদুগী মীওইশিংনা চন্নরম্বা পাউখোংশিং অদু খোমজিনবগী মথৌ তাত্রা খঞ্জে। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা ঐখোয় ইশেন চন্নখিবা পাউখোংশিংদো ঐখোয়গী তাঙলবা ঈরলনি। তুংগী মীরোলনা খঙহৌজনবা থম্বীরম্বা হায়বসি ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা ঐখোয়গী ইথৌনি। ●

# লায়রববু অমুক মীহুৎ ওইনা থাগৎলসিরা?

- কাংজম হেমন্ত -

ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি। দেমোক্রেসিদদি মীখল তৌদুনা লৈঙাক শাসন তৌনবগীদমক মীহুৎ খল্লি। মণিপুরসু ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তীল্লুরবনা মীখল তৌদুনা মীরেপ খল্লি। অদুবু ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈগী মণিপুরনা মণিপুর কন্সটিট্যুশনেল এক্ট ১৯৪৭ কী মখাদা ইং ১৯৪৮দা মীখল তৌদুনা মীহুৎ খনবদি হাল্লি। ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা মীখল কয়ারক তৌদুনা লমদমসিদা অফবা মরমদম্বু নুংশিজবা মীওই কয়া লুচিংবা ওইখ্রে। মমিং ওইনা অমা অনীদং পনবা তারবদা য়ংমাসো শাইজা, অলিমুদ্দিন মমিং পনবা য়াই। অদুবু ঙসিগী পোলিটিকেল সিষ্টম করম্বা ফীভমদা লৈরি। শেল অমদি শক্তি লৈরবদি মীখল থেংনবা য়ারে হায়বা ৱাখলসি লৈবদগী ঙসিগী পোলিটিকেল লিদরশিং অসি করম করম্বা মীওইশিংনা ওইরিবগে হায়বদুদি অমুক নৌহৌনা পল্লুদ্রগসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি।

য়ু পি এস সীনা লৌবা পরিক্ষাগী আই এ এস, আই পি এস অমদি অতৈ অৱাংবা থাক্কী পরিক্ষাশিংদা পাস তৌরক্লবা মীশকশিংবু লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাখল লৌশিং ৱাংবা, খুন্নাইগী থবক থৌরম কয়া পাঙথোরকপদা খ্বাইদগী খঙ হৈবা মীওইশিংনি হায়না লৌনরি। মসিদি য়াম্না চুম্বা থৌরাংনি হায়জনীংই। অমুকসু ষ্টেট-ষ্টেটশিংদা ষ্টেট পব্লিক সর্ভিস কম্মিশন হায়দুনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী পরিক্ষা ষ্টেট সিভিল সর্ভিস, ষ্টেট পুলিসনচিংবা খল্লি। মসিসু চাউরবা ইন্দিয়া পূম্বগী পাঙথোকপা পরিক্ষাগী থাকমক য়ৌদ্রগসু চৎনবা য়াবা থাক্কী পরিক্ষানি হায়না লৌনরি। অদুবু অসিগুম্বা মতিক মগুণ লৈরবা অৱাংবা থাক্কী পরিক্ষা ঙম্লবা মতুংদা ভাইভা অমুক তৌদুনা খল্লবা মীশকশিং অসিগী মথক্তা লৈরগা লৈবাক ঙাকপগী থবক তৌগদবা খ্বাইদগী মরু ওইবা পার্লিয়ামেন্টতা ফমগদবা এম পি অমদি ষ্টেট এসেমব্লিদা ফমগদবা এম এল এ খনবগীদমক্তি পরিক্ষা অমত্তা তৌদনা ইলেক্সন মতমদা এ সী/এ সীদুদা ঐ ভোট লেপ্লি হায়দুনা চোংথোরকপা মীশক অমবু ভোট লেপ্পা হেক্তমক য়াহনবসিমক ঙসিগী মতমসিদদি য়াম্না চানদ্রে হায়জনীংই। মরম অসিনা অথুবা মতমদা সংবিধান শেমদোক্তুনা এম পি ওইবা য়াবা, এম এল এ ওইবা য়াবা মীগী তঙাইফদবা ক্বালিফিকেশন লেপথোকপগা লোয়ননা য়ু পি এস সীগুম্বা অমগী মখাদা পরিক্ষা অমা থাহল্লগা পরিক্ষা অদু পাস তৌরবা মীওই খক্তদা কেন্দিদেট ওইবা য়াহল্লবদি কাঙলোন চুম্না লৈঙাক শাসন ফংবা ঙমগনি হায়নীংই।

স্ক্রিনিং য়াওদবা সিটিজন খুদিংমক ইলেক্সনগী কেন্দিদেট লোইনমক ওইহনবা য়াবগী হক পীবসিনা কায়রক্লিবসি লাইরিক লাইশুগী জ্ঞান মপূং ফাদবা, অশাবা মেট্রিককী সর্টিফিকেট অমা পায়রগা করবার তৌবদা পক্নদুনা শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমা হেক ওইরকপগা এম এল এ ওইবা য়াগনি, ভোট লেপ্পু হায়না ইনশিনবা অমদি মদু য়াদুনা ভোট লেপ্তুনা কারগা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরকপা কয়া য়াওরিবনি। অদুগুম্বা লৈঙাক ঙাক্লোনগী জ্ঞান মপূং ফাদবা মীশক্তুনা য়ু পি এস সীনা অরুবা পরিক্ষা থাহল্লগা কাক-কাক লাউনা খনখিবা আই এস, আই পি এস ওফিসরশিংবু সী সী তৌ হায়দুনা মথৌ শিন্দোকপীরি অমদি সার হায়দুনা ইকায়খুম্নবা উৎলি। অদুনদি য়ূম শাবদা মমাঙথোঙদা পানগদবা থোঙগা মনীংথোঙদা পানগদবা থোঙগা খেন্নবগুম পোলিটিক্সতদি মনীংথোঙদা পানগদবা উচানগী থোঙদুনা মমাঙথোঙদা পাল্লগা, খূৎ চঙনা, মমল তাঙনা চনবা টিক নৎত্রগা উনিংথৌগী থোঙজাওদুনা মনীংথোঙদা পানবগা চপ মান্নরে। মনীং মমাঙ ওন্নবা থৌদৌ অমা উরক্লিবসি চহী ফনা য়াম্লক্লে।

চীফ সেক্রেটরি, অতৈ কম্মিস্নর, দি জি পি, আই জি পি ময়ামসি এম এল এ অমগা প্রোটোকোলদা এম এল এনা চাউবা হেল্লি হায়দুনা এম এল এদা ওনরেবল এম এল এ হায়না ব্যেবহার তৌবা মতমদা চীফ সেক্রেটরিদা রেস্পেক্টেদ হায়নরিবনি। ষ্টেট ফঙ্কশনদা ফম্ফম শিনবদসু এম এল এগীনা মমাঙ থংগনি। মসিদনি মনীং মমাঙ ওন্নরে হায়নীংলকইবসে। অশোয়বা ময়ামসিনা মেট্রিক পরিক্ষাদা ফজনা পাস তৌরক্তবা, অরৈবা সর্টিফিকেট শীজিন্নরগা এম এল এ ওইরকপদগী এদ্যুকেশনগী ক্বালিফিকেশন মশক মুন্না মশানা খঙলক্তবা, অরুবা পরিক্ষা অমুক্তা থারক্তবনা মরম ওইরগা থবক হাপ্পদা মতিক চাদবা, শেলদা চাং ওল্লগা পঙহাপ্তা হাপ্পদগী অশোয়বা ময়ামদুনা পোকখায়রকপদগী ঙসিদি লমদম অসি কাং খোং চাইরবা লমদম অমা ওইরি। ওফিস খুদিং শেঞ্জা থুমজাগী মকোল ওইরক্তুনা তোল্ল-তারবা মীচং শঙ্গ লৈজদ্রবা লায়রবশিংনা খুন্নাই অসিদা হিংবগী মশক নোংম-নোংমগী হন্থরক্লিবা অমদি অঙম অঙম্বা শেৎ শেৎতুনা চানরক্লিবা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংবু মীখলদা মীহুৎ ওইনা থাগৎলিবা মখৈ লায়রবগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্লোই, মরমদি শেঞ্জাও পায়বা ইনাক খুনবশিংনা লায়রবশিংবু য়োকখৎপীবা পামদে, মরমদি মখোয়দা নপচ তাংজহল্লগা মখোয়গী খুবাম্লুংদা নমথদুনা থম্বীরগা হয়েং ইলেক্সনগী মতমদা শেল পীরগা ভোট লৈবা য়াই হায়বসি শেঞ্জাও পায়বা মীরেপ ওইবশিংগী কোক্তা চুদুনা লৈখ্রবনি। অদুগুম্বা শেঞ্জাও পায়বা মীহুৎশিংদুনা শেমখিবা লৈঙাক অদুনা লৈবাক অদুগী লায়রবা মীওইশিংগী অফবা তৌরক্কনি হায়বসি ময়াম থাজবিব্রা? অদুনা লায়রববু নুংশিবীগদবা লায়রবা অফবা মতিক চাবা মীহুৎশিং খনবা মতম ওইরে।

লময়ানবা হিজম ইরাবত লায়রনা হৌরকপা মীশক অমনি। চূড়াচান্দ মহারাজগী ময়াম্বা চন্দ্রাসকী মচানুপী খোমদোনস্না ইরাবততা অওং অউন চাউনা পীদুনা থাজখি, অদুবু নিংথৌনা লৌমী শিন্নী লায়রবশিংগী মথক্তা চথুরকপা মীওৎ-মীনৈ কয়া থেংননবগীদমক মঙোন্দা পীবা লৌচা পথাপ খুদিংমক নিংথৌদা হন্দোকখি। মরমদি ইরাবত লায়রনা হৌরকপা তোল্ল তারবশিংবু নুংশিজবা, য়োকখৎপা পাম্বা মীশক্লি। অদুননি মহাক্লা মীখল ফাওবা থেংনদুনা উৎলৌ এ সীদগী মায় পাক্তুনা মীহুৎ ফাওবা ওইদুনা লায়রবা লৌমী শিন্নীশিংগীদমক পূন্সিগী অরোইবা মীকুপ্তু ফাও হোৎনখ্রিবা। ঙসিগী লুচিংবশিং ইরাবতকুম লায়রববু নুংশিবীবা মীয়াম তুং কুইনা শক্লা শোন্নহৌগদবা লুচিংবা অমা ফাওবা য়াওদ্রি।

হন্দক লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদদি ঐখোয়দা শেল খরা পীরগা ঐখোয়গী চহী মঙাগী ভোটিং রাইটপু য়োন্থোক্লগুমসি। নোংম-নোংমগী লায়রবা অমদি অৱাবা হেঞ্জিল্লক্তুনা হিংবগী মমল হন্থরক্লিবা মীয়ামসিনা করম তৌরগা ঐখোয়গী ফীভম ফগৎলক্কদগে হায়বদুদা ৱাখল খনবগী মহুত্তা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল খন্দুনা শেঞ্জাও পায়বা মীহুৎশিং অদু ঐখোয়গী অৱাবা কোকহনবা ঙম্বা লাইনা থারকপা দুট অমগুম খনবগী ৱাখল থাদোক্লসি।

অমরোমদা শেঞ্জাও পায়বশিংদগী শেল লৌথোক্লগা ভোটতি মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা মীহুৎতা ভোট পীবিয়ু, মদুদা পাপ করিসু পুনিংঙাই লৈতে, মরমদি মখোয়না য়েন্থোরক্লিবা শেল ময়ামদো হুমাংমলনা তানখিবা শেল অমত্তা নত্তে, মীয়ামগী শেঙ্গাওদগী মৎখিবা পাপতা তানখিবা শেল ঙাক্তনি। অদুননি মখোয়না ভোটতা শেল খাউজাও খাউজাও থাদবদা পাম্মুবা লৈত্রিবা। মদু অমুক হঙ্গৎনবা হোৎনবদনি মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা ঙম্লক্ত্রিবা, শেঞ্জা থুমজা তৌরক্লিবা, এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা থিকা তৌবা য়াওনরক্লিবা, মশা মশাগীতা খন্দুনা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী ৱাখল খনবা ঙম্লক্ত্রিবা। মখোয়বু মায়থীবা পীরবা মতমদা মীয়ামসি মীকপ থোক্লে খঙলকপা মীৎকুপ্তা মখোয়সু ৱাখল মতোমতা তাজরক্কনি। পোলিটিক্সপু করবার ওইনা খল্লিবা শেঞ্জাও পায়বা মীহুৎশিং থাগৎলিবা মখৈ লৈবাক অসি তংদু লৈতানা লৈবা হায়বদো ওইবা ঙম্লোই। অদুনা লায়রববু নুংশিবীগদবা খুন্নাই অসিবু কনবা ঙমগদবা, অফবা মায়কৈদা পুরক্কদবা মীহুৎশিং খল্লসি। ●

# লৌহকপাট (জেলগী য়োৎকী থোঙ) - ৫

চারুচন্দ্র চক্রবর্ত্তীনা বংলাদা ইরম্বদগী মৈতৈলোনদা কুমজা ১৯৬৯ দা

শ্রীশঞ্জেনবম নদীয়াচাঁদ সিংহ, বি এ না

হন্দোক্তুনা ফোঙলম্বা

হন্দোক্লোই অসি এক্স-মেম্বর মণিপুর ষ্টেট দরবার, এক্স-মিনিষ্টর মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, এক্স-প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনচিংবসু ওইরম্মী।

**(মঙাশুবা শরুক্কী মখা চখুরকপা...)**

করিনো পোৎ অমা থিরে। মতুংদা চাকশংদা চঙখরে অমসুং মফম অদুগী ভাণ্ডারদা পুখম অমা পুথোরক্তুনা কমলা অহুম-মরি খোকতুনা হাপ্লগা পুখম অদু ঐঙোন্দা পীরে, হায়রকই চারো।

কমলা মশুং খরা লৌদুনা ঐনা হায়রম্মী বা: ঐ ইথন্তা চাগদরা?

- অতৈ কনা চাগদবনো?

- করিনো নঙদি?

কাঞ্চী খুমদ্রে। মকোক নোন্থদুনা মখোঙনা লৈবাক্তা তপ তপ য়ৈবা হৌরক্লে। নোন্থদুনা লৈবা মমায় অদুদা ইকায়বগা লোয়ননা মোমোন নোকপা মীনোক ফাওরক্লে। কমলা মশুং খরদং মাগী মখূৎ খূৎশা তিংথোকপীদুনা পায়হল্লগা ঐনা হায়রম্মী - কনানা চাবা লোইবা হানবগে য়েংনসি।

কাঞ্চীদি অদুবু হৈ অদু ময়াদা হুকত্রে। অদুম লেপতুনা লৈখ্রে।

করি তৌরে? হায়না ঐনা য়েংখিবদা মাগী ইকায়বগা লোয়ননা অথোৎপা মমীৎ অনীদু ঐবু মমীৎ কুপ্তুনা য়েংদুনা লৈবদু উরুরে। মীৎ মরি হেক চানবদা মাগী মমাঙদা ঈগী ঈচেন অমা চেনশিল্লক্লে, মমায় ঙাঙখরে। অদুগা লোয়ননা অকিবা ফংলবা শজি অমোমগী মতৌগুম চেনখ্রে।

থংনবা য়ূমদা বড়ী আম্মাগী কাংসি খীংবা মানবা মখোল অদু তাবা ফংই। লাউ খোংদুনা খৎনবগী খোলজেলনি। অদুবু মাগা খৎনরিবা মী অদুগী মখোলদি তাদে। তাফমসু থোক্তে। বড়ী আম্মাগী গভর্ণমেন্টদা অপোজিশন পার্টি লৈতে। পুরা ডিক্টেটরশিপনি। নিপা মতৈ মনাও খৎনবদা চাউনা হৌরগা পিক্লা লোইশিল্লি হায়না পণ্ডিতশিংনা ইরম্মী। অদুবু নিপা মতৈ মনাওগী মরক্তা উত্তমার্ধে হায়বদি খ্বাইদগী হেন্না ফবা তংখায়দা বড়ী আম্মাগুম্বা মী লৈবা অদুগা অধমার্ধে হায়বদি অতোনবা তংখায় অমা লৈবা অদুদি মী ওইবগী মতৌ তৌদ্রবা-অদু ওইরবদি খৎনবগী মওংসি ওন্নতৈনৈ, হায়বদি পিকনা হৌরগা চাউনা লোই। হৌরকপদা কোই কোক্লবা ব্লেড নৎত্রগা ফুরিৎকী কুদাম, অদুবু অরোয়বদা ব্যাণ্ডেজ অমসুং টিনচর আইওডিননা ওইবা দৃশ্য ঐ অমুকলক্তগী হেন্না উখরে। করিসু লৈতবা পিন্ প্রিক্স হায়বদি পিন্না থিনবগী মহুত্তা খাবৈ নৎত্রগা হৱাই ওৎখায়নবা য়াকাবী ডাক্তর থাপাগী মতৈ মনাও য়ূম্বানবা জীবন্দা তাংনা ফংবা পোৎ নত্তে।

অসিগুম্বা অহল ওইরবা, মী অমগা খৎন-চৈনবা হৈতবা মপুক তপ্পা ডাক্তর অসিগী মফমদা ঐগী মশানা পোকচবা সিম্পেথি হায়বদি ৱামিন-নুংঙাইমিন্নবগী ভাব লৈরম্মী। 'ওন্থোকপনি মরাইবক থীবা' নিপা হায়না ঐনা মাগী মফমদা উৎপীখিবা দয়া অদু মানা ফংফম থোক্তমাল্লে হায়না ঙসি অহানবা ওইনা পূক্নিংদা খল্লকই। করিসু লৈতবা অতোনবসু ওইসনু, অচৌবসু ওইসনু, কনাগুম্বী নুপী অমগী থম্মোয়দা ঐসি লৈবা, ঐবু আশ্রয় তৌদুনা মহাক্কী নুংঙাইবা, ৱাবা, খৎনবা অমসুং শান্তি ওইবা, ঐগী মরমদা মাগী মপূক্নিং খোয়রাংবগী অরোইবা লৈতবা-অসিগুম্বা সত্যসি মশাদা ফাওবা নিপা অদুগী জীবন্দা, অসিদগী হেনবা সম্পত্তিগী মপু ওইবা মী কনা লৈবগে? ডাক্তর অসি অদুগুম্বা মরাইবক ফবা মীশিংগী মরক্তা অমনি হায়না ঐনা নীংই। মরম অদুনা মী অমগী কাংসি মখোল মানবা খোঞ্জেলগী হূনা মাবু শোক্তে। মরমদি মনুংদা মরুমদা অমৃতগী ভাণ্ডার লৈ হায়বা মহাক খঙই। মরম অদুনা খৎনবা পূক্নীং খোয়রাঙ খোয়শাওবগী মরক্তা মহাক অসি পূক্নীং চরাং চরাং তৌদে অমসুং বিকার কায়দে। ব্যাণ্ডেজ পুনবগী অৱাবা খাঙলবসু মাগী উবগুম উদবগুম তৌবা অখুবা মমীৎ অনীদুগী মরুমদা নুংঙাইবনা নোকপা মওং অমা লৈরম্মী।

ডাক্তরগী অসিগুম্বা মশক অসি ঙসিদা ঐঙোন্দা মওং অমা ওইনা ফোঙদোক্লকপসি করিনো? অদু ওইরবদি অসিগুম্বা অমৃতগী মশক ওইবা অনুভূতি (পূক্নীংদা ফাওরকপা) অসিনা ঐগী থম্মোয়দা মদুগী সনাগী চৈ মচা অমনা, নানখ্রবরা? ঐসু অদুদি -

"আসামী লাক্লে, হুজুর!"

ঐ খঙলে! কয়াদি লাপ্তুনা পুরা লানগী ফীজেৎ শেৎপা গুর্খা ওয়ার্ডার লেপ্তুনা লৈরম্মী। শব্দগা লোয়ননা সেলাম তৌদুনা আসামী লাক্লে হুজুর হায়না ঐবু কৌরমদুনা চৎখ্রে। তরাম তরাম ওকপা দরকারনি অমসুং মদু হৌজিকমক ঐনা চত্তুনা তৌরুগদবনি।

আসামীশিং অসি কনা কনানো?

আইন অমসুং আদালতপু খুবী উত্তুনা (থৌওইদদুনা) মী অতৈগী মরল অমসুং মথৱায়না খোঙ্গাওবী (বোল) শান্নবা অদুগুম্বা লাইবক ফবা মীগী দল মখোয়দু নত্তে। সমাজগী মবুক মথক্তা ফমদুনা খোয়থুম্নমা নোক্তুনা হু তৈবা ছুরি ফেংবা মীশিং অদুসু নত্তে। জেলগী থোঙদা মখোয় অদুসু করিগুম্বা কদাচীৎ উগনি। আইনগী লাংদগী চিংথোকপীনবা মাগী মী কনাসু লৈজ দবা মীওই অদু দল দল ওইনা মফম অসিদা লাকই। ভুটিয়া বস্তীগী মনবাহাদুরনা মাগী ইমুং মনুংগী নুমিৎ খূদীংগী থক্লবা ময়ূমদা চেঙ অপুম্বনা য়ু শুংলে। মাগী মরাল করিনো হায়বা মা খঙদে। শগুন তৌবা হুরানবা বংশীনা সর্দ্দার বাহাদুর লেডেল ল'গী বাংলোদগী পুখম অহুম হুরান্দুনা য়োন্থোক্লগা শেল অদুনা চেঙ সের মঙাগা সিগারেট টিন অমগা লৈরুরে, জেলগী মরমদা য়াম্না হৈশিংবা, হৌদোং লম্বোইবনা পকেট চপ্পা (pick pocket) গী করবারদা খুদোংচাদবা উদুনা জেলদা চঙদুনা মশা খরদং কলহন্নবা, মশাগী খুশিনা পুলিসতা ফাহল্লে।

মখোয় অসিনি ঐগী আসামী হায়বদু। মখ্বাঙদা থৌরী, মখূত্তা হাতকড় চন্দুনা মখোয়সি পরেং শানা লাকই, চৎখি। মখোয়সিগী মমীং লৈফম, মনঙ্গনগী চা অমুবা অদুগা মনাতোন্দা থাঙ-তেনগী দাগ, কলম তরামরি পায়বা চিত্রপ্তগী খাতাদা ঐনা ইশিল্লি। অদুগী মতুংদা জেলদগী থাদোকপা নুমিত্তা, মপাগী মমীং অদুগা খূকউগী চিহ্ন চানবরা য়েংদুনা জেল গেটকী মপান্দা থাদোকই। মরাইবক থীবা মীশিং অসিগীদমক রাজ্যনা কয়া চাউনা শীল্লাংলি। মখোয়গীদমক চাউখ্রবা পুলিস তেঙ্গোল অমা হুমাংনা চোৎলে, নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা টাই পুনবা হাকিমনা কলম চলাইরি অদুগা মহাক্কী পাক চাউবা এজলাস, অমুবা কোট লিৎপা উকিলনা মখৌনাও পোখায়বমখৈ লাউরি অদুগা অমোৎপা চাপকান শেৎপা মোক্তারগী দল অমসুং মখূত্তা চৈ অচৌবা পায়দুনা জেলর সাহেব মৌলবী মোবারক আলি অদুগা ঐখোয়না মহাক্কী মতুংইনবা মী ময়াম।

অদুবু মখোয়সি ঐগী লক্ষ্মীনি। মখোয়সি লৈবনা ঐগী য়ূমদা চাক লাক্লি। মখোয়সি লৈবনা ঐ লৈবনি। নৎত্রবদি ঙসি ঐ কদায়দা লৈরমগনি, অদুগা ঐগী রাজকন্যা অমদি রাজ্যগী তংখায় অমা কদায়দা লৈরমগনি।

**(তরুকশুবা শরুক)** - অফিস হায়বা ৱাহৈ অসিনা খঙনবদি অমম্বা বন্দী শঙ, মদুগী গুহাদা পুং ১০দগী ৫ ফাওবা কলম চালাই, কলম চালাইরিবা মীশিং অদু মখোয়না য়াম্না পামজবা নুংথিল তূম্বা হায়বদু য়াম্না তাঙনা ফংই হায়বদি চয়োল লোইবদা নোংমা-নোংমাইজিংগী নুংঙাইখ্রবা নুমিৎ য়ুংবদা। জোতিষ শাস্ত্রগী মরমদা ঐ করিসু খঙদে ঐগী রাশি চক্রদা করম্বা গ্রহ নৎত্রগা উপগ্রহনা (ৱাংবা য়াম্না ফবা) তুঙ্গা ওইনা লৈবগে হায়বগী মরমদসু ঐ খঙদে। ঐগী মর্ম্মস্থান হায়বদি থৱায়মি ফম্বা হকচাংগী অরুবা সন্ধি মফমদা লৈরিবা গ্রহ অদু চন্দ্রদেব ওইরমাল্লে হায়না ঐনা পূক্নিংদা চিংনৈ। মহাক্লা দৃষ্টি তৌবিবগী কৃপানা স্বর্গ অমদা লাক্তুনা কলম পায়ররে। মফম অসিদা নুমিৎ খূদীংগী নুংথিল তূম্বগী অহাঙবা মতম লৈ। মরম অসিদগী চাকরী জগত্তা ঐখোয়সি মী পূম্নমক্লা কল্লক্লে।

অদুবু ওন্থোকপনি। গোলাপসু তিংখং পান্দবা নত্তে। চাকরী তৌবা বাবু তরানা সূর্য্যদেববু থৌওই উশিত্তনা তপ্পা ফমুংদগী হৌগৎলি অমসুং মনিল য়াওবা চা তূম্বদগী হৌগৎলকপদা থকই, নৎত্রগা কৈথেল কাবগী খাউ পায়দুনা লফোই মুলা ঙা মকোক লৈদুনা পুরক্লগা মাগী নুপীবু হরাওহল্লি। ● (মখা চখুজরকখিগনি)